# এমপ্লোয়িশিংগী মচা মশুশিং গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংদা তমহন্নবা এম এস এফনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): ইন্দিয়া লৈঙাক্না পুথোরক্লিবা ন্যু এদ্যুকসন পোলিসি-২০২০ অসিবু মায় পাক্না চৎনহন্নবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপগা লোয়ননা মণিপুরগী লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা এমপ্লোয়িশিংগী মচা মশুশিং লৈঙাক্না চলাইবা স্কুলশিংদা তমহনবীনবা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরম অমদা এম এস এফকী প্রসিদেন্ট সজাদ ভুইয়ামযুম অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট ঙারিয়ানবম মিলননা ফোঙদোকখিবনি।

নুংথিলগী পুং ৩.২০ লোম তারকপদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট সজাদ ভুইয়ামযুমনা ফোঙদোকখিবদা ঙসিদি মণিপুরগী মীয়াম্না লৈঙাক্না চলাইবা স্কুল/ইন্সটিট্যুসনশিংদা থাজবা থম্নরক্তে। মসিনা মরম ওইরদুনা প্রাইভেট স্কুল/ইন্সটিট্যুসনশিংদা শেল চাওনা চাওনা তিংদুনা মচা মশুশিং লাইরিক তমহন্নরকপনা লমদম অসিগী অঙাংশিংবু মহৈ মশিং তম্বগী থবক অসি চপ চানা প্রাইভেটাইজ তৌরকপগী ফীভমদা লাক্লে।

লোয়ননা মমাং থাদা ফোঙখিবা এনুএল ষ্টেটস এদ্যুকেসন রিপোর্ট (এসর) -২০২০ গী রিপোর্ট মতুং ইন্না মণিপুরগী মহৈরোয়শিংগী মনুংদা চাদা ৮০ দি প্রাইভেট স্কুলশিংদা মহৈ তম্লে অদুগা শুপ্তুগী চাদা ২০ না লৈঙাক্না চলাইবা স্কুলশিংদা তম্লে হায়খি।

ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল-২১(এ) গী এমেন্দমেন্ট মতুং ইন্না চহী ৬ তগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবু ফ্রি এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেসন পীননবা হায়খ্রবসু লমদম অসিদদি মপুং ফাদ্রি। হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎহনবদা এদ্যুকেসনগী অচৌবা দায়ত্ব লৈ। মরম অসিনা এদ্যুকেসনবু চাওখৎহন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা এম এস এফকী হান্নগী প্রসিদেন্ট এন জি মিলননা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক অসি লৈরকপা হৌরকপদা এম এস এফকী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা এমপ্লোয়িশিংগী মচা মশুশিং গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংদা তমহনবীনবা তকশিনবা লৈখি। মসিদগী নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সিগী এম এল এগী মচানুপী অমা মেকোলা হায় স্কুলদা তমখি। মসিদগী এম এস এফকী অনীংবা-অপাম্বশিং ফংলগনি খঞ্জরুবা অদু হৌজিক্তি তায়োন্নবা ফীভমদা লাক্লে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০১৫ কী ওগষ্টতা এলাহাবাদ হায় কোর্টনা পীখিবা জজমেন্ট অমদা ষ্টেট অদুগী গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়শিংগী মচা মশুশিং লৈঙাক্কী স্কুলদা তমহনগদবনি হায়খি। মসিগী মথংদা কুমজা ২০১৮ কী সেপ্তেম্বর ৫ দা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরনসু লৈঙাক্কী এমপ্লোয়শিংগী অঙাংশিং গভর্ণমেন্টনা চলাইবা স্কুলশিংদা তমহনগবনি হায়খিবা লৈখি হায়রি।

লোয়ননা মণিপুরদসু তঙাইফদবা অমা ওইনা লৈঙাক অসিগী লৈরিবা মিনিষ্টর/এম এল এ অমদি এমপ্লোয়িশিংগী মচা মশুশিং ষ্টেটনা চলাইবা স্কুলশিংদা তমহনবীগদবনি হায়দুনা ঙসি চীফ মিনিষ্টরদা এম এস এফকী মায়কৈদগী মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়খি। মেমোরেন্দম অসিগী কোপি অমসু লৈঙাক অসিগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা পীশিনখি হায়রি।

# ডো. জুগিন্দ্রনা অমাসিগী প্রসিদেন্ট ওইরে



ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): সিজ হোস্পিটালগী কন্সল্টেন্ট সর্জন ডোক্টর জুগিন্দ্র সোরোখাইমনা এসোসিয়েসন ওফ মিনিমেল এসেস সর্জনস ওফ ইন্দিয়া (এ এম এ এস আই) গী প্রসিদেন্ট ওইনা থা অসিগী ২২ দগী ওফিস পায়বা হৌখ্রে। লোয়ননা ফম অসি মহাক্না চহী অনী পুগনি হায়রি।

এ এম এ এস আই অসি মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা মীনিমেল এসেস সর্জনশিংগী এসোসিয়েসননি। হৌজিক মসিগী মেম্বর লীশিং ১১ হেন্না লৈরে। এসোসিয়েসন অসি কোইম্বাটোরগী জি ই এম হোস্পিটালদগী ডোক্টর সী পলানিভেলুমনা লিংখৎলম্বনি হায়রি।

লোয়ননা মালেমগী মনুংদা অহানবা ওইনা দিজিটেল প্লেটফোর্মদা মশিং য়াম্লবা সর্জনশিংনা শরুক য়াবা এ এম এ এস আই সি ও এন-২০২০ গী ১৫ শুবা এনুএল ইন্তর্নেসনেল কনফরেন্স অমা পাঙথোক্লুনা মসিগী সর্জিকেল ট্রেনিংগী পুৱারী অমা শেমখ্রে হায়রি। দিল্লিগেট লীশিং ১২ হেনবনা শরুক য়াখিবা দিজিটেল প্লেটফোর্মদা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অসিগী মনুং চন্না মুম্বাইগী জেদ ই এন হোস্পিটাল, চেন্নাই অমসুং কোইম্বাটোরগী জি ই এম হোস্পিটাল অমসুং কোলকাতাগী আই এল এস হোস্পিটালদা নুমিৎ হুমনি চুপ্পা লাইভ সর্জরিশিং পাঙথোকখি হায়রি।

কনফরেন্স অসি থা অসিগী ২০ দগী হৌরগা ২৩ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চুপ্পা অয়ুক পুং ১১ দগী নুমিদাংগী পুং ১০.৩০ ফাওবদা পাঙথোকখিবনি। কনফরেন্স অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৬ কী ফেকলটিশিংনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা বাংলাদেশ, সিঙ্গাপুর, শ্রীলঙ্কানচিংবা লৈবাকশিংদগী দিল্লিগেট মশিং য়াম্না শরুক য়াখি। অতৈ শরুক য়াখিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা জপান, কোরিয়া, টাইৱান অমদি থাইলেন্দ য়াওনা য়ুরোপ অমসুং আমেরিকাগী লৈবাকশিং য়াওখি হায়রি।

# পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): আসাম রাইফল্সনা প্রাইম মিনিষ্টর জন অন্দোলন অভিয়ানগী পান্দমশিংবু মায় পাকহন্নবগীদমক চথুরকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না ঙসি শওক্লুংদা মীয়ামগী মরক্তা কোভিদ-১৯ গী এৱ্যেরনেস পীবগী থবক হেনগৎহনবগী পান্দমদা পেন্টিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি। কম্পিটিসন অসি 'কোরোনা এৱ্যেরনেস এন্দ কোরোনা ৱারিয়র্স ওফ মণিপুর' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবনি হায়রি। চাংদম্লবা অসিদা শওক্লুং খক্কী নত্তনা অকোইবদা লৈবা খুলশিংগী অঙাংশিংনসু শরুক য়াখি। কম্পিটিসন অসিগা লোয়ননা শরুক য়ারখিবা অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯ গী মতাংদা এৱ্যেরনেস লেকচরসু পীদুনা তাহনখি হায়রি।

# ইনুংঙানবীনা রিজার্ভর খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর ১৮ গী কোর্পোরেটর লাইময়ুম ইনুংঙানবীনা ঙসি নৌনা শাখিবা ঈশিং লিটর লীশিং ২৪ চনবা রিজার্ভর অমা ৱাঙ্খৈ তোকপম লৈকায়দা লৈবা জুবেনাইল লার্নর্স ক্লবতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

মহাক্না রিজার্ভর অসিবু ক্লব অসিগী ভোলুন্টিয়রশিংদা খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা আই এম সিগী ৱার্দ মেম্বরশিং এন ইমোচাবী অমসুং আর কে মোনোরামাসু শরুক য়াখি হায়রি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা কোর্পোরেটর ইনুংঙানবীনা ফোঙদোকখিবদা মতম মতমগী মতুং ইন্না হরাও কুম্হৈশিং অমসুং লোকেল কম্যুনিটি হোলদা চাকচা হৈজানবগী থৌরমনচিংবা পাঙথোরকপদা মায়োক্না বা ঈশিং ফংদবগী অৱাবশিং অদু রিজার্ভর অসিনা কোকহল্লগনি হায়খি। মহাক্কী মায়কৈদগী ৱার্দ নম্বর ১৮ গী মনুংদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। লোয়ননা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমসুং লোকেল এম এল এগা তান্নদুনা দ্রেনেজ সিষ্টেম ফগৎহন্নবা থবক পায়খৎলগনি হায়খি। লোয়ননা মীয়াম্না অমোৎ অকায়শিং মফম চাদনা লংথোকপীগনু। মীয়াম্বু মশা ফহনবা অমসুং লৈকায়বু তরু তনান্না থম্বগী থবক অসি মীয়ামগী মতেং য়াওদনা অমসুং মায়পুনবা থৌদাং লৌমিন্নদনা ঙম্লোই হায়খি। লোয়ননা আই এম সি অমসুং লৈঙাক্না মফম অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলকপদা মীয়াম্নসু অঙম্বা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

# দিসক্কালিফিকেসন কেসশিং য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): হৌখিবা জুন ১৯ দা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী রাজ্য সভাগী সিট অমগী ইলেক্সনগী মাংওইননা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিদা লিংলিবা ট্রাইবুনেলনা এম এল এশিং ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌখিবা এম এল এশিংনা মখোয়গী দিসক্কালিফিকেসনবু শিংনরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা কেসশিং ঙসি পাঙথোক্তনা য়ৈথোকখ্রে।

কেসশিং অদুগী মখা তাবা ৱায়েলশিং চথনবগীদমক ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টতা হাপখি। অদুবু কেসশিং অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মনুংদা য়াওরিবা এসেম্বলিগী স্পিকর অমসুং সেক্রেটরিগী মায়কৈদা লেপকদবা লৈবাক অসিগী সোলিসিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া তুসার মেহতা চঙলকখিবদগী কেসশিং অসিগী ৱায়েল মথং থাগী অহুমদা চথনবা এদজোর্ন তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, স্পিকর ট্রাইব্যুনেলগী দিসক্কালিফিকেসন ওর্দরশিংবু শিনরক্লিবা এক্স এম এল এশিং অদুনা কুম্বী এ সিগী সনসম বিরচন্দ্র, লমলাই এ সিগী ক্ষেত্রিময়ুম বিরেননি। মখোয় অনীনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিং অদুনা মথংশিংনা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৩৩১ ওফ ২০২০, ৩৬২ ওফ ২০২০, ৩৬৩ ওফ ২০২০ অমসুং ৩৩২ ওফ ২০২০, ৩৬০ ওফ ২০২০ অমসুং ৩৬১ ওফ ২০২০ নি।

# অরোং খুনৌ অমসুং সেকমাইজিনদা কোভিদ এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা অরোং খুনৌ লম্পাক্তা ঙরাং নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা কোভি-১৯ লায়চৎকা মরী লৈননা ঙসিগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

প্রোগ্রাম অসি কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা), ৱিমেন ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন অরোং খুনৌ, অরোং খুনৌ মৈরা পায়বী লুপ অমসুং য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব (ৱাই দি সি) গা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি।

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসিদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, থৌবাল ইমাগী সেক্রেটরি জেনরেল মোইরাথেম ওংবী সনাতোম্বী অরোং খুনৌ ৱিমেন্স ৱেলফিয়র এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম ওংবী মণি অমসুং অরোং খুনৌ মৈরা পায়বী লুপকী প্রসিদেন্ট সলাম ওংবী কুমারীনা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা প্রোগ্রাম অসিদা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন অমসুং দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজমনা ৱাঙাংলোইশিং ওইদুনা ৱা ঙাঙখি।

অমরোমদা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদসু ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চল্লিবা সেকমাইজিন ময়ায় লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা কোভিদ-১৯ এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমসুং পাঙথোকখ্রে হায়রি। প্রোগ্রাম অসি কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা থৌবাল ইমা, সেকমাইজিন ময়ায় লৈকায় মৈরা পায়বী অমসুং সেকমাইজিন সোসিএল ক্লবগা পুন্না খুৎশম্নদুনা শিনবনি হায়রি।

প্রোগ্রাম অসিদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার সেকমাইজিন মৈরা পায়বগী সেক্রেটরি এলাংবম সনাহনবী, থৌবাল ইমাগী সেক্রেটরি মোইরাংথেম ওংবী সনাতোম্বী অমসুং কাদাগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম নেনানা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা শরুক য়াখি।

প্রোগ্রাম অসিদনা কাদাগী জেনরেল সেক্রেটরি গিটচন্দ্র মঙাং অমসুং সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন ময়েংবম বুদ্ধিনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি। লোয়ননা প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ারকখিবশিংদা ফেস মাস্কশিং য়েন্থোকখি হায়রি।

লৌশিং পুক্কে

# নাইতোম তাবগী নুংঙাইতবা ফাওবা অমসুং অরাম খৌরাংবা ফাওবা অনীমক্কী ওইবা ব্রেনগী মফম চপ মান্নে

ষ্টদি অমদা মীওইবনা অরাম খৌরাংবা ফাওবা মতমদা এক্টিব ওইরকপা ব্রেনগী মফম অমা মাগা লোয়ননবা মপাং পাল্লকপা মতমদসু এক্টিব ওইরকপা থেংনখ্রে। অতোপ্পা মীওইশিংগা তোৎনা-তিন্নবা লৈবা হায়বসিসু চাবা-থকপগা চপ মান্নবা মওংদা মীওইবনা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলম অমনি হায়নবা ৱাফম অদু রিসার্চ অসিনা চুম্মী হায়না উৎলি।

মতম শাংনা নাইতোম তাবগী নুংঙাইতবা ফাওরগা লৈবা হায়বসি ফিজিকেল অমসুং মেন্টেল হেল্থ অনীমক্তা শোকহল্লি হায়বগী মশীং য়াম্লবা খুদম চাংদম কয়া লৈ। নাইতোম তাবগী নুংঙাইতবা ফাওবনা ইম্যুন সিষ্টেম শোন্থহল্লি, অমদি দাইবেটিস, দিমেন্সিয়া অমসুং পুক্লিং ৱাখলগী লায়না কয়াগা মরী লৈনৈ হায়না চহী খরগী মমাঙদা চথখিবা ষ্টদি খরনা উৎখ্রে।

কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবা হোৎনবদা মালেমগী মফম শীন-থুংবদা লৈরিবা মীওইশিংনা মরূপ-মপাংশিং অমদি য়ুমদা লৈমিন্নদ্রবা ইমুং-মনুং, মরী-মতাশিংগা উনবগী চাং য়াম্না হন্থনরে।

সোসল এনিমেলশিংদা রিসার্চ চথবদা থেংনরে মদুদি হরাউ তয়াম্না অতোপ্পা মীওইশিংগা লোয়নবা অমদি ৱারী ৱাতায় শান্নবা হায়বসি চাবা-থকপা অমসুং তৃপ্তগা মান্নবা মওংদা নুংঙাইবা-পুক্নিংগী অপেনবা পোকপা এক্টিভিটি অমনি।

মমাঙদা চথখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী কেমব্রিজদা লৈবা মাসচুসেট্স ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি)না লুচিংখিবা ষ্টদি অমদা নাইতোম থম্বা উচিনা অতোপ্পা উচিশিংগা লোয়নবা-লৈমিন্নবা পাল্লকপা মতমদা উচি অদুগী ব্রেনগী মফম অমদা দোর্সেল রেফি ন্যুক্লিয়স কৌবা দোপামাইন ন্যুরোনশিংগী ক্লষ্টর অমা এক্টিব ওইরকপা থেংনখি। অদুমওইনমক মীওইবদা লৈবা একুট লোনলিনেসকী ন্যুরোসাইন্সকী মতাংদদি রিসার্চরশিং অদুনা নীংথিনা খঙখিদে।

হৌজিক এম আই টিগী ষ্টদি টিম অমনা অমুক মীওইববু পুঙ ১০ করিমক্তা চাহন-থকহন্দনা থম্বগী ব্রেন এক্টিভিটিগা করিগুম্বা মখল অমতগী সোসল কন্টেক্ট লৈহন্দনা পুঙ ১০ থম্বগী ব্রেন এক্টিভিটিগা চাংদম্নদুনা য়েংখ্রে।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়ারিবা ভোলন্টিয়রশিংনা মশানা পামজবা অচা-অথক নৎত্রগা মীওইবনা সোসলাইজিং তৌদুনা নুংঙাইনা মতম লেনবগী পিকচরশিং য়েংবগা অতৈ নুমিৎশিংগা চাংদম্নবদা মখোয়গী ব্রেন এক্টিভিটিদা করি করি অহোংবা লাকপগে খঙদোক্নবগীদমক ষ্টদি অদুগী ন্যুরোসাইন্টিষ্টশিংনা ফঙ্কসনেল মেগ্নেটিক রেজোনেন্স ইমেজিং (এফ এম আর আই) শীজিন্নরম্মী।

মদুদা চানীং-থক্নীংবা পোল্লকপা অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংগা লোয়ননিংবা পোল্লকপা অনীমক্তা সবষ্টেন্সিয়া নাইগ্রা কৌবা ব্রেনগী ময়ায় থংবা শরূক্তা লৈবা অপীকপা মফম অমা মথৌ তৌরম্বা থেংনখি। সবষ্টেন্সিয়া নাইগ্রা অসি উচিদদি দোর্সেল রেফিগা ইভোল্যুসনরি রুট পুল্লী।

দোপামাইন ন্যুরোনশিং য়াওবা সবষ্টেন্সিয়া নাইগ্রা অসি লাইচুগনবা দ্রগশিং খৌরাংলকপা-পাল্লকপগা মরী লৈনৈ হায়নসু মমাঙদা উৎপা লৈখ্রবনি।

হায়রিবা ব্রেনগী রিজন অসি অতোপ্পা মীওইশিংদগী তোখাইনা-নাইতোম তাহল্লগা থম্বা পার্টিসিপেন্টশিংনা সোসলাইজিংগী পিকচর য়েংবদখক নত্তনা অরাম খৌরাংবা ফাউরবা পার্টিসিপেন্টশিংনা অচা-অথক্কী পিকচরদা য়েংবা মতমদসু হেন্না এক্টিব ওইরকই হায়রি। কন্ট্রোল্ড কন্দিসন অমা ওইনা শীজিন্নখিবা ন্যুট্রেল ওইবা লৈগী পিকচর য়েংহনবা মতমদদি সবষ্টেন্সিয়া নাইগ্রা অসি এক্টিভেট তৌহনবা ঙমখিদে। রিসার্চ অসি নেচর ন্যুরোসাইন্স কৌবা জর্নেলদা পব্লিস তৌরকখিবনি।

রিসার্চরশিং অদুনা ষ্টদি অদুগীদমক মশাগী চহী ১৮-৪০গী মনুংদা লৈবা পার্টিসিপেন্ট ৪০ রিক্রুট তৌরম্মী। মখোয়শিং অদু কোলেজগী মহৈরোয়না অয়াম্বনি। সাইন্টিষ্টশিং অদুনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুদা মখোয়না খ্বাইদগী পামজবা চীঞ্জাক অমসুং সোসল এক্টিভিটি ২০গী লিষ্ট শেমহল্লম্মী।

পার্টিসিপেন্টশিং অদুদা সোসল আইসোলেসন ফাওহন্নবগীদমক মখোয়গী মোবাইল ফোনশিং অদু রিসার্চরশিংনা লৌশিন্দুনা মখোয়বু থোঙনাউ পান্দবা কা অমদা ইমেল নৎত্রগা সোসল মীদিয়া য়েংবগী খুদোংচাবা ফংহন্দনা পুঙ ১০ লৈহল্লম্মী। মশাবু মথৌ চিলহন্দুনা থমজনবগীদমক ভোলন্টিয়রশিং অদু পজল সোল্ব তৌবা, কম্প্যুটরগী অচম্বা গেম শান্নবা, নৎত্রগা সোসল কন্টেন্ট অমত্তা য়াওদবা হান্ননা য়ানখ্রবা লাইরিক ময়েকশিং পাবদি য়াহল্লম্মী।

তাঙ্কক তাঙ্কক্কী ওইনা মখোয়না ক্বেসন্যেয়রশিংদা মশাদা ফাওবা অতোপ্পগা লোয়ননিংবগী অপাম্বা, নাইতোম তাবগী নুংঙাইতবা, হৈনদবা, নুংঙাইবা অমদি নাইতোম লৈবদু মখোয়না কয়ামুক য়াম্না পামদবা হায়বনচিংবদুগী রেটিং পীরম্মী। রিসার্চরশিংনা এফ এম আর আই শীজিন্নদুনা পার্টিসিপেন্টশিংগী ব্রেন স্কেনসু তৌরম্মী।

পার্টিসিপেন্টশিংগী সবষ্টেন্সিয়া নাইগ্রাদা এক্টিভেসন তৌবগী চাং অদু মখোয়না সোসল ইন্টরেক্সন অমসুং অচা-অথক কয়ামুক য়াম্না পাল্লবগে হায়বদুগা মরী লৈনবা থেংনখি।

নুংঙাইরিবা ৱাফম অমনা, ষ্টদি অদু তৌদ্রিঙৈ থা কয়াগী মমাঙদগী হৌনা মতম কুম্না নাইতোম তাদুনা লাক্লবা মীওইশিংদদি পুঙ ১০ নাইতোম থম্বা মতম অদুদা অতোপ্পা মীওইশিংগা লোয়ননিংবা ফাওবগী অপাম্বা-খৌরাংবা অদু কয়া কন্না ফাওদবগী রিপোর্ট তৌখি। হান্না মমাঙদা সোসল ইন্টরেক্সন তৌদুনা য়াম্না নুংঙাইনা লৈরকপা মীওইশিংদনা নাইতোম তাবগী চৈথেং অদু হেন্না কন্না ফংখি। নাইতোম তাবনা মান্নদবা চহী কাঙলুপকী মীওইশিংদা করম্না এফেক্ট তৌবগে হায়বগী মতাংদসু সাইন্টিষ্টশিং অদুনা থিজিনবা পাল্লি। হন্দক্কী ষ্টদি অসিগী লিমিটেসন অমা হায়রগদি পার্টিসিপেন্টশিং অদু মশা-মঊ ফবা অমদি সোসল কন্টেক্ট নীংথিনা তৌরিবা নহানা অনম্বনি।

# এ আরনা ক্রোর ১০ হেনবগী উ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): উখুলদা স্মগল তৌদুনা পুশিল্লক্লবা হোৎনম্বা লুপা ক্রোর ১০ রোম হেনবগী উশিং আসাম রাইফলসনা ঙরাং ফারে হায়রি। তোঙান তোঙানবা ট্রক ৭ তা হাপ্লগা পুশিল্লকখিবা উশিং অদু আসাম রাইফলসনা ফংবা অখন্নবা পাউ অমদগী কোসু ভিলেজ মনাক্তা চথখিবা ওপরেসন অমদা ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি। আসাম রাইফলসকী ইন্সপেক্টর জেনরেলনা থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ফাগৎলবা উশিং অমসুং মসিবু পুরকখিবা ট্রকশিং অদুগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবগীদমক সংসক পুসিল ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# ওর্ফান হোমদা তেঙবাংবীরম্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকায়দা লৈবা ইন্তর্নেসনেল ওর্ফান হোমদা শেগা-রোদ খ্বাইরাকপম লৈকায়দগী সৌবাম প্রিয়োবর্ত্তনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপা সৌবাম ইবোয়াইমা অমসুং অপোকপী সৌবাম ওংবী থম্বালতোম্বীগী মিংদা চানা থক্নবা পোৎলমশিং তেঙবাংবীরম্লে হায়রি। হোম অসিগী চ্যেরমেননা থোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মীওই অসিনা হোম অসিদা চেং, আল্লু, আচাথাউ, কোবি অমদি গ্রোসরিগী আইটেমশিং তেঙবাংবীরমখিবনি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি



**ইনাউতোম্বা নাউরেম, লৈমপোকপম খুনফম**

ঈংনা-চিক্না পাঞ্জরম্বা ইরমদম অসি ঙসি কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মীপুম খুদিংমক তোঙানবা পুন্সি মহিং অমদা ৱানা হিংনরে। লায়না-লাইচৎ অসিনা নাবা অমদি শিবা মশিং য়ামদ্রিবা মতমদদি য়াম্না চেকশিন্না কিনা লৈনরম্মী অদুবু পোজিটিভ ওইবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা শিবগী চাংসু হেনগৎলক্লবা মতম অসিদদি চেকশিনবা ৱাৎপগা লোয়ননা অকিবা ফাওনদবগী মওং অমা তৌনরক্লি। মফম কয়াদা লুহোংবগী-চাক্কৌবগী থৌরম কয়াদা মী য়াম্না পুন্দুনা পাঙথোক্লরি। লাইচৎ অসিগী অসুক লুরবা ফীভম অসিদা চাকচা-হৈজানবগী থৌরমসু হেনগৎলক্লি। কোভিদ-১৯না নারবা মীওইশিং শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি তশেংনা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোকনি। শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি করি মরম্না ওইরক্লিবনো হায়বসি য়াম্না কুপ্না থিগৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। লায়না অসিনা নারম্লগদরা হায়না চিংনজবা মীওইশিংসু টেষ্ট তৌনদ্রে। মসিনা লায়না অসি পাকশন্না শন্দোরক্লবগী অচৌবা মরম অমসু ওইদবা নত্তে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা লায়না অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা তোঙানবা মতেং পাংবা ঙমদ্রবসু শুপ্পগী কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোকপীদুনা লায়না অসি অতোপ্পা মীওইদা শন্দোক্রবদি অচৌবা মতেং অমা হায়বদু ওইগনি।



**নিংথৌজম রোনালদো, হৈরোক পার্ট - ২**

লমদম অসিদা অকোয়বগী ফীভম চাউনা কায়থরক্লিবা অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা থোইনা লুম্না লৌদবগুম উই। মসি য়াম্নমক লাইবক থিবা থৌদোকনি। ইম্ফাল সিটি খক নত্তনা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরুওইবা কৈথেলশিং অয়াম্বদা কা হেন্না মোৎপগী চাংসু হেনগৎলক্লি। লোয়ননা লমদম অসিদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ফীভমসু অফবা ফীভমদা লৈরি হায়বা য়ারোই। তুরেলশিংদা অমোৎ-অকায় কয়া তাউথখিবা মরম্না লমদম অসিগী শকয়েং মিংশেল ওইরিবা লোক্তাক পাৎকী শক্তমসু চাউনা কায়থরক্লে। মরম অদুনা ঐখোয় পুন্না অমত্ত ওইনা ৱাখল খম্থমিন্নদুনা লেপ্পা লৈতনা শোকচিল্লক্লিবা লমদম অসিগী চীং, পাৎ, তুরেলশিংবু মতম লৈরিঙৈদা কল্লহৌনবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে। করিগুম্বা মতম লৈরিঙৈ অসিদা মহৌশাগী খল কলহৌনবা হোৎনহৌদ্রবদি অরুবা ফীভম অমদা লাক্লুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক অৱাবদা তারক্কনি। মরম অদুনা লৈবাক মীয়াম্না ইশাগী খুদোংচাবা খরগীদমক মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিদা অমুক মতেং পাংশিনবগী থবক তৌরোইসি। মদুনা পুম্নমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১। ১২। ২০২০ইং,
লৈবাকপোকপা; হিয়াঙ্গৈগী ১৬নি পানবা।

**মেষ :** মরুপ লোয়নবা লন ময়েং তাবা য়াবা লৈ, অশাওবনা কাইনহনবা অমদি অনম তানবনা মীখা পোনগনি। নোল্লুক্না চৎপা অমদি ফিংদবনা য়াইফবা ওইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - তপথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা

**বৃষ :** হরাওবা নুংঙাইবা অমদি নিংজবা থুংবা নুমিৎনি।ললোন ইতিক্তদি চানল শেন্দোং ফংগনি-খুদোংচাবা মাংহনগনু।হন্থবা লোইনরদি ইকাইবা নংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক

**মিথুন :** ঙাইঙমদবা অমদি মীনা ইন্সিনবা লৌবা তৌগনু-নংগীসু মতম লাক্কনি খংউ।অনৌবা থৌরম পাংগনু অমদি ইমুং মনুংগী ৱা তাবা য়াম্না কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীগী অৱাবা উবীয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**কর্কট :** ঙক কনগনু অমদি লৈঙাক্কী লমদা নত্তনা অতৈদদি ওইজ-ওইথক শোইদনা ফংগনি। অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি, হকচাং নুংঙাইগনি অমদি মীচং লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা

**সিংহ :** থবক পাংগনি, নিংবদমক চিংনদনা পাংবা য়াগনি অমদি অরং অরাক ফংনবা হোৎনবসু কান্নগনি।অদুবু অশাওবনা শোকপনবা নংহনবা য়াই-ফিংগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ /চিনি অঙাংবা

**কন্যা :** অশা চাওবা ঙসিসু য়াখিরোই অমদি য়েক্লবনা য়েংশিনবা লৈ কাওগনু। খৎনবা য়াবা মরমদা য়াওরুনু।ইমুং-মনুং/মরুপ-মপাং লোইনবা কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অচুম্বনা লাকচগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ /চিনি অঙাংবা

**তুলা :** মীয়াম্না থাগৎপিবগী নুংঙাইজবা ঙসিসু ইশাদা ফাওগনি অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি।পাউ নুংঙাইতবা তাবনা লৌশিং ফুদোকপা ৱাগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা য়াম্না চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং

**বৃশ্চিক :** ঙসিসু লাইবক ফবা অমদি শেল থুমগী লমদা কান্নবা নুমিৎনি।ৱানোম থৌনোম কান্নবগী হরাওবা লৈ। অদুবু অরিবা থবক্তা মথা শাবা লৈগনি-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**ধনু :** মীচং ঙসিসু লৈগনি।অফবা থবক লাইনা পাংগনি অমদি পোরম শিন্দোকপসু হৈগনি। নক্লবনা য়েংশিনবা লৈরি-থিজিনবা কল্লু। হন্থবনা ৱাথোকহনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা

**মকর :** নুংঙাইফম অমদি হরাওফম খংলোই।ৱাখল চাওথোকপা ফৈ-নত্রদি কিবা অমদি লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা লৈ।মরুপ মপাং অমদি লাইগুরুগী ৱা তাউ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতাং চাদে।
**থৌনি পোৎলম :** হিগোক/থোইদিং অমুবা

**কুম্বা :** ওজা-গুরুনা চানবীগনি, মীয়াম লোইনবগী নুংঙাইবা অমদি মরুপ মপাংনা থাগৎপিবা লৈগনি।হনবা লৈতনা হোৎনবগী অফবা মহৈ ফংজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**মিন :** খোইরাংবদি লৈগনি অমদি অনম তাল্লদি শকচু থোকলোই। নোল্লুক্না চৎলদি-অমাংবা লৈরোই।নিংবা মপা চাবা, শেন্দোং ফংবা ,য়েক্লবা মাংবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক খরা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ /চিনি অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।